# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-07-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-চুরচান্দপুর জিলাগী লমজাং ভিলেজতা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ত্রিমেদ পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইজ মোর্টার অনি, ইমপ্রোভাইজ রোকেট বোম অমা, ইমপ্রোভাইজ হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ইমপ্রোভাইজ রাউন্দ তরা, টিয়ার স্মোগ সেল ২১, থারতি আইট এম.এম. এন্টি রাইওট রবর বুলেট মরি অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না চৎখিবা ওপরেসনদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই খরসু ফাগৎপা ঙমখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিটি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পাউনা বজারগী পোলো গ্রাউন্দ পার্কিং মনাক্তগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি। মহাক তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা দুকানশিংদগী নমদুনা শেম খায়বদা চেন্নবতা নত্তনা অতৈ থৌদোক কয়াদসু চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নপেৎ ভিলেজদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাখি। লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সৈজাং অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমসু ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ফারে। অদুগা, ইম্ফালগী জি.এম. হোল মনাক্তগী ঙরাং পুলিসনা য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমসু ফাখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথাই বজারদগী মীওই

অমা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুরবা মতুংদা ফুরগা হুন্দোক্লস্বদগী হোস্পিতালদা লায়েংদুনা লৈরকখিবা কেসকা মরী লৈননা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মফম অদুদা থিবা হুস্বগী থবক চত্থবদা মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

**আর্মি (এল)ঃ** ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা পায়খৎলকপা ভারত লান্মীগী তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন ভিলেজতা লৈবা লমজিং মৈরা মহৈকোল স্কুলদা কম্প্যুটর ট্রেন্নিং সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

সেন্টর অসিদা মহৈরোইশিংনা থা অহুম, থা তরুক অমদি থা ১২ গী কম্প্যুটর কোর্সশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়রি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ভারত লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতিগী মীওইশিং, ভিলেজ চীফশিং শরুক য়াখি।

**কোবিদ(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিব কেস ১১ লৈরি। ঙরাং মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-ঙরাং পুন্না সেম্পল ২৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

**মেলা (এল)ঃ** থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েলদা লৈবা মনিপুর সাইন্স সেন্টরদা চত্থরকপা ইনফোটেক ফেষ্ট-২০২৫ ঙসি লোয়শিল্লগনি। মেলা অসি দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি বিভাগনা শিনবনি।

মেলা অসিদা ইগজিবিসন, রোবোর্ট দিজাইন সো অমদি লাই য়েকপা চাংদমবনচিংবা পাঙথোক্লি। মেলা অসিগী মনুংদা চন্না মহৈরোইশিংনা পুথোকপা

তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংসু উৎলি। মসিদা পুন্না স্তোল ৩০ রোম হাংলি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. খুমন সব ষ্টেসনগী এলভেন কে.ভিগী ফিদরশিংনা কোনবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং অহুম ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জঙ্গল কট্টিং অমদি মৈগী লাইনশিং শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থগদবনা মরম ওইরগা মৈ পীবা ঙমলোইদবনি। মসিনা কোনবা মফমশিংগী মনুংদা-খুরাই, পোরোম্পাৎ, তোপ, মোইরাংকম্পু, হত্তা, সোইবম লৈকাই, চেক্কোন, লাইরিয়েংবম লৈকাই, লাইফম খুনৌ, পাঙ্গে রোড অমদি চিংমৈরোংনচিংবা য়াওরি।

**সংসদঃ** হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফমগা মাংওইননা সরকারনা ঙসি দল পুমমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌখ্রে।

মীফম অদুদা সরকারনা সংসদকী সভা অনিমক অয়েৎপ অপন লৈতনা নীংথিনা চত্থহনবা য়ানবগীদমক দল পুমমক্কী মতেং নীগনি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফম অসি মথং থাগী ২১ ফাওবা চত্থগনি। মীফম অসিদা সভা অনিমক্কী ওইনা পুন্না সিটিং ২১ লৈগনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-সরকারনা মীফম অসিদা পুখৎলকপা মরুওইবা ৱাফম খুদিংমক খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ। মহাকা হায়-জন্ন বিশ্বাস (এমন্দেমেন্ট ওফ প্রোভিজন) বিল-২০২৫, নেসনেল স্পোর্টস গভরনান্স বিল-২০২৫ অমসুং মার্চেন্ট সিপ্পিং বিল ২০২৪ য়াওনা মরুওইবা আইন কয়াসু মীফম অসিদা খন্নরবা য়াই।

**পিয়ুসঃ** কেন্দ্রগী কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা থবক ফংহনবদা সাইভর সেক্যুরিতিগী মরুওইবদু পল্লদুনা হায়-মসি লৈবাক অসিগী সুরক্সা খক্তা

নত্তনা থবক ফংহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী ইনোভেসনগীসু অচৌবা লম্বী অমা ওইরি।

মুম্বাইদা এদভান্স সাইভর স্কিল সেন্টর অমা হাংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-মসিনা দিজিটেল ইকোনোমিগী লমদা অহোবা কয়া লৈরিবদু মেনশিনবগা লোয়ননা ভারতপু স্কিলমেন পৱারগী মালেমগী ওইবা হব অমা ওইহন্নবগী পান্দম অদুদসু মতেং ওইরগনি। প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাশ য়োজনাগী মখাদা নহারোলশিংদা সাইভর সেক্যুরিতিগী ত্রেন্নিং পীনবগী পান্দমদা সেন্টর অসি দাটা সেক্যুরিতি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া অমসুং কিনদ্রিল ফাউন্দেসনগা পুন্না লিংখৎমীনবনি। মসিদা চহিগী ওইনা কেন্দিদেট লিশিং অমরোম ত্রেন্নিং পীগনি।

**দ্রগঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্সনা বেঙ্গলুরু ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী লুপা কোতি ৪০ রোমগী ওইগদবা কোকেন ফারে।

শেল থুম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়-পোৎলমশিং অদু সুপরহিরো কোমিক লাইরিক অনিদা লোৎতুনা পুরম্বনি। পোৎলম অদু পুরক্লিবা মীওই অদু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা দোহাদগী বেঙ্গলুরুদা থুংলখিবনি। ফারবা মীওই অদু নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোফিক সবসটেন্সেস এক্টকী মখাদা জ্দিসিএল কষ্টদিদা থমখ্রে।

**ওলিম্পিয়াটঃ** ওস্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা ৬৬ শুবা ইন্টরনেসনেল মেথমেটিকেল ওলিম্পিয়াট ২০২৫ দা ভারতনা সনাগী তকমান অহুম, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অমা ফংলে।

দিল্লিদগী কানক তলৱার অমসুং অরাব গুপ্তা মহারাস্ত্রাদগী অদিত্য মানগুরিনা সনাগী তকমান অমমম ফংলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগাশিংনা লন্বী থিংবগী খোঙজং চথবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-নাগাশিংনা লন্বী থিংবগী খোঙজং চথরি। টেক্স থিরগা লৈরম্বা কুকিশিংনা মপু শারকপা য়ারোই হায়না লন্বী থিংবগী ফোটোগা লোয়ননা চাউনা হেদলাইন পীরি। পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদসু টাইগর রোডকা মরী লৈননা কৌবা মতম কক্তবা বন্দনা চিংগী মফমশিংদা চাউনা অপনবা পীরে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

পোকফমদা-নাগা তাবা মফমশিংদা কুকিশিংনা মমিং থোনজিল্লকপগী মায়োক্তা মতম কক্তবা বন্দ হৌখ্রে। বন্দ হন্দোকপীনবা কুকি জো কাউন্সিলনা এফ.এন.সি.সিদা আপিল তৌরি হায়না চাউনা হেদলাইন পীরি।

সনা লৈবাক্তা-কুকি জো কাউন্সিলনা বন্দ হন্দোকবা আপিল তৌরকখ্রে হায়বা কল্লর হেদলাইনগী মখাদা নাগা তাবা মফমশিংদা কুকি চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

হুইয়েন লানপাউদা-সু কেম্প অমসুং জর্মন রোডকী মায়োক্তা খম থেংনা শাওরে। ফুদ হিলস নাগা কোওর্দিনেসন কমিতিনা মতম কক্তনা লন্বী থিংখ্রে হায়না চাউনা হেদলাইন পীরি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা দ্রগ লল্লোনবগী থবক অসিনা লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক্তা শিংনরে হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফমসু পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন পাউ ওইরি।

ষ্টেটসিগী ইরাং মনুংদা চুরচান্দপুরদা চেং কুইটল লাখ অহুম লিশিং ২২ ত্রান্সপোর্ট তৌখি হায়বা ৱাফমগা লোয়ননা মিজোরামনা চুরাচান্দপুরদা চেং-চাক পীবা লেপখ্রে হায়বা পাউসু সনা লৈবাক্কী মরুওইবা পাউ ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদসু মিজোরাম ফাওরগা চুরাচান্দপুরগী চেং

চিংলম্বা তোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।